**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-04-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৫-০৪-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল আর.গে.গোরানিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চত্থবদা জিরিবাম অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদগী প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অনি ফারে।

২) এম.এল.এ থোকচোম রাধেস্যামনা হায়রি-ৱাথোক খুদিংমক্কী ৱারোইশিন লৈফম থোকই, অমনা অমবু হুন্নবা য়েংথিনবগী মহুত্তা মতেং পাংনদুনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনমিন্নসি।

**অমসুং**

৩) ভারতকী কোষ্ট গার্দনা লূপা কোতি লিশিং ১,৮০০ লোমগী মমল ওইগদবা মেথাম-ফেতা-মাইন কিলোগ্রাম ৩০০ হেন্না ফাগৎপা ঙমখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চীংনবা মফমশিংদা মখা তানা থিবা হুন্থবগী থবক চথুরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অনি ফাগৎখি। জিরিবাম জিলাগী জিরিবাম পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা বিদ্যানাগরদগী প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অমা ফাখি। বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোঙ খা খুনৌ ৱার্দ নম্বর ফোরদগী মীওই অমা খূৎশু খূৎলাইগা কোন্ননা ফাখিবনি। মঙোন্দগী সেভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম.এস.এল.আরগী এমতি কেস ৮২, থ্রি নোট থ্রি এম.এমগী এমতি কেস ১৯৬, ৫.৫৬ এম.এমগী ইন্সাস এমতি কেস ৫৫, সেভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম.এ.কে এমতি কেস ৩২, অমসুং মোবাইল ফোন অমা ফাগৎখি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎচৈ পুবা গারি ২৯৭ অমসুং ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা গারি ২০৯ ইম্ফাল তমা পুথোরকখ্রে। লম্বীশিং অসিদা চথোক চৎশিন তৌবদা অয়েৎ অপন থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা ঙাকশেলগী থবক চথখ্রে।

চীং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা মফম ১১০ দা চেক পোইন্ট হাংদুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথুরি।

**এম.এল.এ(এল)ঃ** হৈরোক কেন্দ্রগী এম.এল.এ থোকচোম রাধেস্যামনা হায়রি-ৱাথোক খুদিংমক্কী ৱারোইশিন অমদি লৈগনি। ঐখোয় মশেল অমনা অমবু হুন্নবা য়েংথিনবগী মহুত্তা মতেং পাংনদুনা অৱাৎপশিং মেনখৎমিন্নসি। ৱাফম অসি থৌবাল জিলাগী লাংমৈথেৎ পব্লিক কম্ম্যুনিতি হোল শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাকা হায়-ৱাথোক অমগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবগী মহুত্তা মদুবু হেন্না চাউথোকবা হোৎনরিবশিংদগী ঐখোয় মীয়ামা চেকশিন্না লৈবা তঙাইফদে। ইশা ইশা খক্কী খনবগী মহুত্তা লমদম অসিদা করমা তংদু লৈতাবা হঞ্জিনগদগে হায়বদু খন্থবগী মতম ওইরে। নুংশিবা হায়বসিনা ঐখোয় মশেল খৎন চৈনবা য়াওদনা তংদু লৈতানা অমত্তা ওইনা হিংমিন্ননবা লম্বী

ওইগনি। অদুবু করিগুম্বা অপাম্বা খর লৈবগীদমক নম হাদুনা মখোয়গী অপাম্বা অদু ফংনবা হোৎনগনি হায়বা ৱাখল্লোন থাদোকপনা ফগনি হায়না শ্রী রাধেস্যামনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

**আইএমদিঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি-মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদম অমদি ভারতকী নোংপোক থংবা শরুকশিংদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ ৫ নি অসি অখাক অরাও য়াওনা পারপ্পদগী ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নোং চুরবা য়াই।

**এৱার্দঃ** তরুক শুবা নেসনেল হায়ৱে এক্সলেন্স এৱার্দ ২০২৩ পীবগী থৌরম ঙসি নিউ দেল্লিগী ভারত মন্দপমদা পাঙথোক্লগনি। এৱার্দ অসি লান্থোকপগী থৌরমদা কেন্দ্রগী রোদ ত্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারি, রাজ্য মন্ত্রিশিং, অজয় তমতা, হরস মালহোত্রা অমসুং নিতি আয়োগকী সি.ঈ.ও বি.ভি.আর সুব্র মনিয়ম শরুক য়াগনি।

**দ্রগঃ** ভারতকী কোষ্ট গার্দনা গুজারাটকী এন্তি টেরোরিজম স্কৱাটকা লোয়ননা লূপা কোতি লিশিং ১,৮০০ লোমগী মমল ওইগদবা মেথামফেতামাইন কিলোগ্রাম ৩০০ হেন্না ফাগৎপা ঙমখ্রে। অককবা পাউ অমা ফংবদগী কোষ্ট গার্দকী কাংবুনা নুমিদাংদা চথখিবা ওপরেসন অমদা ইন্টরনেসনেল মেরিতাইম বাউন্দরি লাইনদা বেসেল বোট অমা থেংনখি। মদুবু চেক তৌনবা ভারতকী কোষ্ট গার্দ কাংবুনা চংশিনবদা নিশা ওইনা শিজিন্নবা য়াবা য়াম্লবা পোৎলমশিং অদু সমুদ্রদা থাদরম্লগা বোট অদু নান্থোক্কুনা চেনখি হায়রি। তুংদা, কোষ্ট গার্দ কাংবু অদুনা পোৎলমশিং অদু ঈশিংদগী লৌখৎখিবনি হায়রি। পোৎলমশিং অদু গুজারাটকী পোর্বন্দরদা পুরকখ্রে, মখা তানা থিজিন্নবা কেস অমা রেজিস্তর তৌরে।

**সাহ ঃ** গৃহ মন্ত্রি সোসিয়েল মিদিয়া থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী সরকার অসিনা ড্রগকী সমস্যাশিং মুথৎনবা কন্নবা হোৎনরি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংনা ইন্তরনেসনেল মেরিটাইম বোর্দরদগী লুপা কোতি লিশিং ১,৮০০ রোমগী মমল ওইগদবা নিশাগী পোৎলম কিলোগ্রাম ৩০০ ফাগৎপা ঙমখি। মসি সরকার অসিনা নিশা থিংনবা চংশিল্লকপা খোঙজংগী চাউনা মায় পাকপা অমনি।

**বিহারঃ** বিহারগী আরৱাল জিলাগী বান্সি ব্লোকতা ঙরাং বজ্র তাবদা মীওই অহুম লৈখিদ্রে। রাজ্য অদুদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মহৈ মরোং কয়া অমাং অতা থোকহনখ্রে। আরৱাল জিলা য়াওনা পটনা, কাইমুর, সেকপুরা অমদি জম্মুই জিলাদা ঙরাং ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুখি। সেকপুরা জিলা অমদি মসিগা থংননা লৈবা মফমশিংদা লেন য়াওনা অকনবা নোং চুখি। মদুনা মরম ওইরগা মহৈ মরোং কয়া অমাং অতা থোকহনখি হায়রি। খংহৌদনা চুরকপা লেন য়াওবা নোং অদুনা লৌতাংশঙশিংদা পৈদুনা থম্বা মহৈ মরোং কয়াসু মাংহনখি। ৱেদর রিপোর্টকী মতুং ইন্না বিহারগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাক্কদৌরিবা পুং ৪৮ অসিদা লেন য়াওনা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি হায়রি।

**সাহ ঃ** ২১ শুবা চহী চা অসিদা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম অসিনা লৈবাক অসিদা চাউনা অওনবা পুরকপা ঙম্লে হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া ফোরেন্সিক সাইন্স সম্মিৎতা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী অমিত সাহনা হায়- সরকার অসিনা মতম চানা মীয়ামদা অচুম্বা ফংহন্নবা চোকথবা লৈতনা হোৎরি অমসুং অচুম্বশিং ফংহল্লি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা অচুম্বা ফংহন্নবা হোৎনবদা ফোরেন্সিক সাইন্সনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

**আই.পি.এলঃ** ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লিগ টি ত্বেন্তি ক্রিকেটকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা চেন্নাই সুপর কিংসনা লখনৌ সুপর জাইন্সপু ৱিকেট মঙাদা মাইথিবা পীখ্রে। লখনৌগী এক্কানা ক্রিকেট স্তেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা চেন্নাই সুপর কিংসনা বোল্লিং হান্না তৌখি। লখনৌ সুপর জাইন্সনা ৱিকেট ৭ তুদুনা রন ১৬৬ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা চেন্নাই সুপর কিংসনা ওভর ১৯ গা বোল ৩ দা ৱিকেট ৫ তুদুনা রন ১৬৮ লৌদুনা মাই পাকখি। ঙসি পঞ্জাব কিংস অমদি কোলকতা নাইট রাইদরস অনিনা পঞ্জাবকী মহারাজ য়াদবিন্দ্র সিংহ ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট স্তেদিয়মদা লম্বা তৌনগনি।

**হোক্কিঃ** থা অসিগী ২৬ তগী মে ৪ ফাওবা ওস্ত্রেলিয়াগী পর্থ হোক্কি স্তেদিয়মদা শান্নগদবা ভারত অমসুং ওস্ত্রেলিয়াগী মেটচ মঙাগী ওইবা সেরিসতা শরুক য়ানবা ভারতকী নুপী হোক্কী টিমগী স্কৱাট লাউথোকপদা মণিপুরদগী শান্নরোই মরি য়াওরে। মনিপুরগী শান্নরোইশিং অদুদি-নহা ওইরিবী গোল কিপর বিচু দেবী খারিবম, মমিং লৈরবী হোক্কি শান্নরোই সুসিলা চনু পুখ্রম্বম, খাইদেম সিললৈমা চনু অমদি সুমন দেবী থৌদাম নি।

মিটফিল্ডর সালিমা টেটে অমদি ফোরৱার্দ নবনিট কোরনা ভারত হোক্কি টিমগী কেপ্তেইন অমদি ভাইস কেপ্তেইন ওইনা সেরিস অসি শান্নগনি।

**মন্সুখ ঃ** কেন্দ্রগী স্পোর্টস মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়া অমসুং বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি নিতিশ কুমারনা খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০২৫ গী মাস্কোট অমসুং লোগো মায়খুম হাংদোকখ্রে। গেমস অসি চহি অসিগী মে ৪ দগী ১৫ ফাওবা বিহারদা পাঙথোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙরাং চৈরাওবা কুম্মৈগী ছুতি ওইখিবনা ঙসি ইম্ফালগী মরুওইবা পাউচেশিং ফোঙনদ্রে। অদুম ওইনমক চীংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদদি মহৌশাগুম পাউচেশিং ফোঙনরি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন অসি-অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা মিল্লিটেন্ট গ্রুপশিংদা চাইনা না মতেং পাংলি হায়না বুক ওন মোদি গভর্ণমেন্ট হায়নি হায়বা পাউ অসি ফোঙলক্লি।

অনিশুবা হেদলাইনদা-এন.দি.এ লৈঙাকা মুস্লিম অমদি অতোপ্পা মাইনোরিতিশিংদা এত্তেক্ট তৌরি-হায়না হান্নগী কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবশিংনা ফোঙখিবা মফমা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

গানফিউ মেলদা-মৈতৈগী সলাই তরেৎকী ফাইনেলবু উশিৎ থৌওইদবা উৎখিবা ভিদিওগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া থমরক্লি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মৈতৈশিংনা থাংজিং লাই খুরুমদা চৎপা হৌরকপদগী বিষ্ণুপুর অমদি চুরাচান্দপুরদা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইনদা-কোন্সারম খুলদা জোইন্ট ত্রাইভসকী মীতিং পাঙথোকখ্রে, খুলশিং ঙাক শেন্নবা খন্নখ্রে হায়না ফোঙলি। ডা.অম্বেদকরগী ১৩৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম দেল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট হাউস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে হায়না পাউচে অসিগী অহুমশুবা হেদলাইন তৌরি।

--পাউ লোইজরে--